# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-05-2024)**

**ফুটবোল (এল)ঃ** ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি-২০২৩-২৪ গী ফাইনেলদা ঙসি মনিপুরগা হরিয়ানাগা থেংনরগনি।

ফাইনেল মেটচ অসি কোলকাতাগী কিশোর ভারতি ষ্টেদিয়মদা নুংথিল পুং অহুমদা শান্নগনি।

নীংশিংবা য়াই, সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা মণিপুরনা তামিলনাদুবু পাঞ্জল ২-০ অমদি হরিয়ানানা নোংচুপ বেঙ্গোলবু তাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংল্লকখিবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা মখা তানা থিবা হুস্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-কাংপোকপী জিলাগী আই.টি. রোডকী গোভজাং ভিলেজতগী লোকেল মেদ পম্পী অমা, পোইন্ট টোইন্টি টু এম.এমগী লোকেল মেদ পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা, লোকেল মেদ এস.বি.বি.এল. অমা ফাগৎলে।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৩ দা মশক খঙদবা মীওইশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লোইতাং খুনৌদগী ফাখিবা মীওই অমা মনিপুর পুলিসনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুস্বগী থবক চথবদা লমদেং মনাক্কী চাখুলোং কবুই খুলদগী মীওই অদু কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা থা অসিগী ১৩ দা ফয়েং রিলিফ কেম্প অমসুং তোর্বুং বঙ্গলাদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং অমসুং

শান্ন খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-উখ্রুল জিলাগী শকপাউ ভিলেজতা ঙরাং ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল অমসু শান্নখি। থা অসিগী ১৩ দা চান্দেল জিলাগী ৱায়াংদা লৈবা সাইনিং স্তার স্কুলদা কলচরেল ডেগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামগা ৱারী শান্নদুনা রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লকবা থবক থৌরম কয়াসু লেপ্তুনা পাঙথোক্লি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

**শাবা (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নোংম-নিনি অসিদা শাবগী চাং তপা তপা হেনগৎলক্লি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেটচ চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটতগী ফংবা পাউনা হায়-ঙরাং রাজ্য অসিদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৪ য়ৌখি। জিলাশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং চুরাচান্দপুরনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৪ গী মথক্তা শাখি। বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৩ গী মথক্তা শাখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সেনাপতিনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩২ অমসুং তমেংলোংনা সেলসিয়স দিগ্রী ২৮ গী মথক্তা শাখি হায়রি।

**ফোগিং (এল)ঃ** শাবা হৌরকপগা লোয়ননা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকনবা ষ্টেট মেলারিয়া ওফিসকী মীৎয়েং মখাদা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপা হৌরে।

দিষ্ট্রিক্ট মেলারিয়া ওফিসার, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা অৱাং সেকমাইগী মান্দপ য়ুম্ফমদা লৈবা রিলিফ কেম্পকী অকোইবদা ফোগীং তৌদুনা কাং হাৎননবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

**মৈ (এল)ঃ** মৈহৌ লাংপোক্কা মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাং করমা লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মহৈরোইশিংবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং ইন্ফাল ইষ্টকী পৌরাবীদা লৈবা জেম পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুর ফয়ার সার্ভিসতগী লাকপা অখঙ-অহৈশিংনা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা কমদৌনা থেংনগদগে হায়বগী মতাংদা নীংথিনা তাকপী তম্বীখি।

**মীখলঃ** লোক সভা মীখলগী অরোইবা অমসুং তরেৎশুবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্কনি।

তাঙ্কক অসিগী মীরেপ চে পীশিনবগী মতম ঙরাং লোয়খ্রে। রাজ্য তরেৎ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৫৭ তা মথং থাগী অমদা ভোট থাদনগনি। মীরেপ চে লোথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবনি।

মরক অসিদা, রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মফম কয়াদা কোইনা চৎতুনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ঙমজবী থাদুনা ভোট খোমরি। ঙসিসু বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মহারাস্ত্রগী দিনুরি, কল্যান অমসুং মুম্বাই নোর্থ ইষ্টতা মীখলগী মীতিনশিং অমদি রোড সোশিংদা শরুক য়াগনি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং উরিষ্যাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াগনি।

**ক্বেটঃ** নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি, এন.টি.এনা লৌবা কম্মন য়ুনিভর্সিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট (ক্বেট) অন্দর গ্রেজুয়েট ২০২৪ পরিক্ষা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৮ ফাওবা লৈবাক অসিগী সহর ৩৭৯ দা পাঙথোক্কনি।

অদুমওইনমক, দিল্লি সেন্টরগী ওইনদি থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্কনি হায়রি। পরিক্ষা অসি ভারতকী মপান লৈবাকশিংগী সহর ২৬ তসু পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোল ৱেব সাইট-ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট এন.টি.এ. দোট এ.সি দোট ইনদগী খঙবসু য়াগনি হায়রি।

**ধনকরঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-লৈবাক্কী ৱাফমগা মরি লৈনবা থবকশিংনা পুমমক্তগী মাংওইননা পাঙথোকবা হোৎনগদবনি। পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা ঙরাং ডাক্তর-সুভাস কৈশবনা ভগবত গীতাগী মতাংদা পীবা কমেন্টরি অমা ফোংবগী থৌরমদা শ্রী ধনকরনা হায়-গীতানা লাইনিং লাইশোল, পুকিং ৱাখল অমদি ইচং থৌনা থবক পাঙথোকপগী লম্বীশিংবু হেন্না মশেক মঙাল থোকহনবদা চাউনা মতেং পাংলি।

**মাওইষ্ট**ঃ ছাতিসগরদা মাওইষ্ট ৩০ খুৎলায় থাদোক্তুনা সরকারদা চংজরকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ৯ দি লুপা লাখ ৩৯ গী রিৱার্ড লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি।

মাওইষ্ট ৩০ অদু ঙরাং বিজাপুর জিলাদা সরেন্দর তৌরকখিবনি। চহি অসিগী জানুৱারাদগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না মাওইষ্ট ১৮০ বিজাপুর জিলাদগী ফাগৎখি। অমরোমদা, হায়রিবা মতম অসিদা সরকারদা চংজরকখিবা মাওইষ্টকী মশিংনা ৭৬ শুরে।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-কোনকান লমদমদা ঙসি মখা তানা কা হেন্না শাবগী ফিভম মায়োকরবা য়াই।

নোংচুপ থংবা রাজস্থানদসু ঙসিদগী থা অসিগী ১৮ ফাওবা কা হেন্না শাবা ফিভম মায়োকরবা য়াই। উত্তর প্রদেস, পঞ্জাব, খা থংবা হরিয়ানা অমসুং বিহারদনা হয়েংদগী হৌরগা নুমিৎ হুমনিরোম কা হেন্না শাবা ফিভমশিং মায়োক রবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, খা ভারতকী মফম কয়াদদি অখাক অরাও য়াওনা নোং কন্না চুরবা য়াই। কেরলাদসু ওরেঞ্জ এল্লার্ট লাউথোক্তুনা মফম অদুদা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়না ফোংদোক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-কিরন**

পোকফমদা-মনিপুরদা উমংগী লম হন্থরকপগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ রিজনেল ওফিসনা পাউখুম পীরক বা নেসনেল গ্রীন ত্রাইব্যুনেলনা খঙহনবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-পুলিসতগী নোংমৈ লাকখিবা কেস অমগী চার্জসিট থাগৎলকখ্রে। লাকখিবা খুৎলায়শিং কুকিদা লান্দাবদা শিজিন্নবগী খুদম ফংলে হায়না এন.আই.এনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-ই.সি.আইদা পুং ৪৮ গী মনুংদা ভোট থাদনবগী চাং খঙহনগদবনি হায়না ৱাকৎলক্লে। সুপ্রিম কোর্টনা মে ১৭ তা লৌখৎতুনা খন্নগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরদা-কামজোংদা রিফ্যুজিশিং চংল্লকপা লেপত্রি। সেক্যুরিতি ফোর্স মশিং য়ামহনবা মথৌ তায় হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মোরেদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মনিং তৌরি, মীতৈগী য়ুমশিংদগী ফোংনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা হুরান চিন্থি চথরি হায়না অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে।

মনিপুর ন্যুজতা-কৈনৌদগী দ্রাইভর অমগী অশিবা হকচাং টাটাদগী কাউথারল্লগা চেন্নবা হোৎনরম্বা পুলিসনা ফারে, অমনা লায়কন্নরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ওজা মশিং শুনা লৈতবা কলেজকী দিপার্টমেন

টশিংগী এদমিসন প্রোসেসতা অথিংবা থমলে হায়না দেসামনা ফোংদোকখিবা ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-খুল ঙাক্লম্বা বি.এস.এফ. কম্পানি লৌথোকবা হোৎনরকপা অসি মীতৈগী খুল মুথুৎনবা হোৎনবনি হায়না মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংবা থেংনরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-ম্যান্মারোমদগী রিফ্যুজি ২০০ হেন্না মিজোরামদা চংখিবগী পাউ, পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ওজাগী মশিং ৱাৎনা লৈবা কলেজশিংদা দেসামনা এদমিসন তৌবা থিংজিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-হন্দক কোসেমনা লৌখিবা পরিক্ষাদা রোংমৈ সবজেক্টতা টোপ্পর ওইরবা তমেংলোং জিলাদগী সোনিমলিয়ু গাংমৈনা ডাক্তর ওইবা পাম্মী হায়না ফোংদোকখিবগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা মমা-মপা ওইবশিংদা মচাশিং মপান লমদা থাবা মতমদা চেকশিনবীনবা হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।